**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-10-2025)**

**দিৱার্মিং (এল)ঃ** হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমার সিংহনা হায়রি-মীওইবা অমদা তিল লৈবা অসি চহি অমদগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা থোকই। মসিনা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংগী মশা ফত্তবা, মশা শোনবা য়াওনা চাউথম থিহল্লি।

মনিপুরদা অনিশুবা তাঙ্কক্কী নেসনেল দিৱার্মিং ডে ঙসি হৌদোকখ্রে। রাজ্য থাক্কী থৌরম অদু দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেস মণিপুর অমদি ষ্টেট হেলথ সোসাইতি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা লম্ফেলদা লৈবা আই.এম.এগী হেরিতেজ হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমারনা হায়-অঙাংশিংদা হিদাক পীজবগী কেম্পেইন অসিদা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমকা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা কেম্পেইন অসি মীপুম খুদিংদা য়ৌহন্নবগী পান্দম থল্লি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার (চাইল্ড হেলথ) ডা: এ. সিলভিয়া, সোসিএল ৱেলফিয়ারগী জোইন্ট দাইরেক্তর-অঞ্জলি চোংথাম অমসুং এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এন.জি. জোগেন্দ্র শরুক য়াখি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনসু ঙসি জিলা অসিগী মন্ত্রিপন্থা ভিলেজতা লৈবা খুংফম প্রাইমারি স্কুলদা নেসনেল দিৱার্মিং ডেগী অনিশুবা তাঙ্কক হৌদোকখি। থৌরম অদু চীফ ইগজ়েকিটিব ওফিসার, এ.দি.সি. চান্দেল-এম.দি. ফিরোজ খাননা হৌদোকখিবনি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা মশিং লিশিং ২,৩৮৫ শুরে। রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ৫,৭২৭ দেঙ্গি টেষ্ট তৌখ্রে।

সরকারনা থোকপা দেঙ্গি ঙরাং খক্তদা মীওই পুন্না ৯৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৪২ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা পুন্না মীওই ৫৬ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৫ পোজিটিব ওইখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা মীওই ২৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৪ পোজিটিব ওইখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা মীওই অহুম টেষ্ট তৌবদা মীওই অনি পোজিটিব ওইখি অমদি থৌবাল জিলাদা মীওই ৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মীওই লিশিং ১,৭১১ দেঙ্গি পোজিটিব ওইদুনা লায়না অসিনা খ্বাইদগী শোকহনবা জিলা ওইরি।

**কোকোমি (এল)ঃ** শিল্লোংগী শিদোকখ্রবা মনিপুর রাজবারিগী নৌনা শাগদৌরিবা অসি অতোপ্পা মফম অমদা শাবীয়ু। হান্না মফম অদুদি মনিপুরগী মাংখ্রবা হান্নগী রাজবারি অসিগী নিংশিং খুভম ওইনা অদুম্মক থমনবা কোকোমিনা দাবী তৌরি।

লমফেলদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট ওফ হেরিটেজ কমপ্লেক্স রাজবারি-শিল্লোং হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা প্লান্নিং এন্দ দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (পি.দি.এ) না শিদোকখ্রবা মনিপুরগী ঐতিহাসিক ওইরবা রাজবারি অসি চুমগী ষ্ট্রকচর অমা নত্তে। মসি মনিপুর মায়ামগী অমদি হৌখ্রবা নিংথৌ পাল্লিগৈ মতমগী মনিপুরগী নীংশিং খুভম অমনি। মসি শিদোকখিবদা মনিপুর মীয়ামদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওরি।

মহাকা মখা তানা হায়-সরকারনা নৌনা থৌরাং পায়খৎলিবা মনিপুর রাজবারিগী অশেংবা রেপ্লিকা অদু তোঙানবা মফম অমদা শাবা অদুগা

শিদোকখ্রবা মফম অসিদি অদুম্মক থমদুনা রাজবারি অসিগী নীংশিং খুভম ওইহনবীয়ু।

অমরোমদা, মনিপুর ইমানসু থুগায়খ্রবা রাজবারি অসি অথুবা মতমদা হান্নগুম চপ মান্ননা সরকারনা অথুবা মতমদা শাননবা লুপ অসিগী চেরোল অমনা তকশিল্লক্লি।

কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপুনবা লুপনসু রাজবারি অসিগী হান্নগী শক্তম কায়হন্দনা নৌনা অথুবা মতমদা শেমজিন্নবা তকশিকল্লি।

**আইদিএআর (এল)ঃ** আই.সি.এ.আর. মনিপুর সেন্টর অমদি এগ্রী বিজিনেজ ইনক্লুভেসন সেন্টর অনিনা শিনদুনা চয়োল অমা চুপা চত্থরকপা ভেল্যু এদিসন ৰিট হনিগী ত্রেন্নিং ঙসি লমফেলদা লৈবা আই.সি.এ.আর. রিছার্স কমপ্লেক্সতা লোয়শিনখ্রে।

ত্রেন্নিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা খোইহি লোকপা, পেকেজিং তৌবা, ক্বালিতি টেষ্টিং অমদি ভেল্যু এদেদ প্রদকশিংগী শেম শাবনচিংবগী মতাংদা লম অসিদা খঙ হৈরবশিংনা তাকপী তন্বীখি।

**ফোরেষ্ট (এল) ঃ** প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট অমদি হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স-অনুরাখ ভাজপায়না হায়রি-উমং মৈ চাকপদগী ঙাকথোকপা অমদি উমংদা আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং তৌহন্দবা হায়বসি য়ামা মরুওই। মীপুম খুদিংমকা মসি ঙাকা চৎমীন্নগদবনি।

ভারত সরকার অমদি মনিপুর সরকারনা পায়খৎপা ষ্ট্রেংথনিং ওফ ফোরেষ্ট প্রোটেক্সন মিজরসকী শরুক অমা ওইনা ফোরেষ্ট বিভাগকী ফ্রন্ট লাইনদা লৈরিবা ষ্টাফশিংদা বোলেরো কেম্পরস অমদি মোটোর বাইক য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবমদা লৈবা মনিপুর ফোরেষ্ট ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুটতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী অনুরাখনা হায়-ওক্তোবর থা অসিদগী হৌরগা উমং মৈ চাকপগী থৌদোক তোইনা থোক্লি। অসিগুম্বা থৌদোক থোরকপা মতমদা খুদক্তা থবক লৌখৎনবগীদমক ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিংদা রাজ্য সরকারনা মোটোর বাইকশিং অমদি কেন্দ্র সরকারনা বোরেলোশিং অসি খুৎশিন্নবনি।

**উচেক (এল)ঃ** লমলক্কী উচেক ফানবা লাং থাকপশিংগী মথক্তা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী দ্রাইব লেপ্তুনা চথুরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মখাদা ককচিং ফোরেষ্ট রেঞ্জকী ষ্টাফশিংনা দ্রাইব চথবা হৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৌশি পাৎকী অকোইবদা চথুখিবা দ্রাইব অদুদা উচেক ফানবা থাক্লম্বা লাং তরারোম ফাগৎলে হায়রি। ককচিং ফোরেষ্ট রেঞ্জকী রেঞ্জ ওফিসার-সুন্দর হুইদ্রোমনা মীয়ামদা পাৎ অমদি লৌবুকশিংদা লাং থাক্তুনা উচেক ফাবীদনবা আপিল তৌরি। মখা তানা দ্রাইব অসি চথুখিগনি হায়রদুনা কনাগুম্বনা উচেক লাং থাক্লম্বা থেংনরবদি আইনগী মতুং ইন্না থবক লৌখৎকনি হায়খি।

**ফলকোন (এল) ঃ** তমেংলোং জিলা অমদি মসিগী অকোইবদা লৈরিবা মফমশিংদা অমর ফলকোন ফাবা, হাৎপা অমদি য়োনবা খুদক্তগী থিংলে হায়না জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-ডা: এল. অংশিম দংশাৱানা হায়রি।

চেরোল অমদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা হায়-ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট-১৯৭২ গী সেক্সন ফিফতি অমসুং ফিফতি ৱানগী মখাদা করিগুম্বা হায়রিবা উচেক অসি ফাবা, হাৎপা অমদি য়োনবা তৌরম্লবদি আইনগী ওইবা চৈরাক ফংগনি। উচেক অসি ওক্তোবরগী অনিশুবা চয়োলদগী হৌরগা নবেম্বরগী অরোইবা ফাওবা চহি খুদিংগী ওইনা তমেংলোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা

মফমশিং অমদি জিলা অসিগী অকোইবদা পাইরকপনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-জিলা অসিগী মনুংদা লৈরিবা ইয়ার গনশিং ভিলেজ ওথোরিতিশিংগী খুথাংদা সরকারদা পীখৎলকবা খঙহল্লি।

**ককচিং (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসন, দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজগী মখাদা কৈরক গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং ভি.এল.এফ. তরুকনা পুন্না শিনবা কনভরজেন্স মেলা অমা ঙসি ককচিং জিলাগী কৈরক কৈথেল লম্পাক কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ব্লোক দিবলপমেন্ট ওফিসার-ককচিং-খেরদানন্দা পোৎশংবমনা হায়-কৈরক গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈরিবা লৈকাই লৈকাইগী সেল্প সেল্প গ্রুপশিংনা শেম্বা ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনশিংনা শিনদুনা মনিপুর সরকারগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা পীরিবা স্কিম কয়াগী কান্নবশিং হকথেংননা ফংহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামনা কান্নবা লৌবিয়ু। মেলা অসিখক নত্তনা ককচিং সি.দি. ব্লোক্কী মায়কৈদগীসু অখন্নবা গ্রাম সভা ফমখ্রে। বি.এল.এফশিংনসু ভিলেজ প্রোসপরিতি রিজিলেন্স প্লানগী মখাদা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং পায়খৎনিংবশিং মথংগী গ্রাম সভা ফম্বদা বি.এল.এফশিংগী মায়কৈদগী অইবা ওইনা থাজিল্লকবসু বি.দি.ওনা হায়রি।

মেলা অসিদা ফোরেষ্ট, হোর্টিকলচর, মেদিকেল, ফিসরি, হেন্দলুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্তোল কয়া হাংদুনা মীয়ামদা কান্নবশিং ফংহনখি।

**ফিল্ম (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন অমসুং পব্লিক রিলেসন্সনা য়ুনিতি ইন দাইভরসিতি: টুগেদর ৱি স্তেন স্ত্রোং হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা সোর্ট ফিল্ম কম্পিটিসন ২০২৫ গী ফল লাউথোক্লে।

উখ্রুলগী সোরেনজান ভাসুমনা পুথোকপা 'য়ুনিতি ইজ এ ব্যুটিফুল সাউন্দ'

হায়বা ফিল্ম অসিনা মকোক ওইরে। ককচিং খুনৌদগী দিঙ্কু থিংনামনা পুথোকপা ‘ইমা’ অমদি হিদংময়ুম য়ুনিভরস শর্ম্মনা পুথোকপা ‘লম্মন নত্তে’ হায়বা ফিল্মশিং অসিনা অনিশুবা অমদি অহুমশুবা তারে।

খংজ্রাকপম অজিৎকুমার সিংহগী ‘ব্রি আর ব্রান’ অমদি কব্রাবম কুমারজিৎ সিংহগী ‘লীচৈ’ না কন্সোলেসন প্রাইজকী মনা ফংলগনি।

**ৱাকফ (এল)ঃ** ৱাকফ বোর্ড মনিপুরগী মিং শিজিন্নদুনা কনাগুম্বা মীওই খরনা ফিশাকোল অমদি শেলগী তেংবাং লুখ্রাবীশিংদা পীগনি হায়না শন্দোরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না বোর্ড অসিগী প্রোজেক্ট ওফিসারনা হায়রি।

বোর্ড অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-কনা লৈজদ্রবা নুপীশিং নৎত্রগা লুখ্রাবীশিংদা ইং ২০২৪-২৫ গী ওইনা তেংবাংশিং অসি পীরগনি হায়রিবদা অদু অরানবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা নোটিশ অমত্তা সরকারনা থোকখিবা লৈতে।

**নোংমৈ(এল)ঃ** উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা ডা: য়ুমাম লোকেন্দ্রোগী য়ুমদা ঙসি অয়ুক নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়ামনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

উরিপোক খুমন্থেম লৈকাই কামদেবো লৈরক মচিনদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপশিনদুনা মীচম মীয়ামদা অকি অখঙ পীবগী থবক তৌবিগনু হায়বনচিংবা প্লে কার্ডশিং পায়খি।

**রিতা (এল)ঃ** রিমসকী রিটয়ার্দ ফিজিওথেরাপিস ডা: অঙোম নিংঙোল অসেম ওংবী রিতা দেবীবু চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা হাৎলম্বগী থৌদোকপু ওল মনিপুর ফিজিওথেরাপিস এসোসিয়েসন (অম্পা) মনিপুরনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্তুনা মীশি অসিদা চেন্নরিবা মীওই ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু হায়দুনা অম্পা মনিপুরনা মরি লৈনবশিংগী

পুকিং চিংশিল্লি।

**ইন্দি-মঙ্গোলিয়াঃ** ভারত অমসুং মঙ্গোলিয়ানা কলচর, ইনর্জি অমসুং মিনরেলসতা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা মরুওইবা য়ান্ন-চেশিং সহি তৌনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা লৈবাক অসিগী খোঙচৎতা লৈরিবা মঙ্গোলিয়াগী রাস্ত্রপতি-খুরেলসুখ উখানাগা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নখি। তুংদা, অপুনবা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-ভারতনা মঙ্গোলিয়াগী নাগরিকশিংদা ফ্রি ই-ভিজা পীনবা ৱারেপ লৌরে। মহাকা হায়-চহি খুদিংগী মঙ্গোলিয়াগী নহা ওইরিবা কলচরেল এম্বেসেদরশিং ভারত্তা লাকবা ভারতনা শিনগনি।

**সাহঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-পধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা সরকারনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা অখাকপা থমদবা থৌশিল চৎনরি। শ্রী সাহনা হায়-লৈবাক অসিবু টেরোরিষ্টশিংনা কিহল্লকপদগী ঙাকথোকবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলে।

হরিয়ানাগী মানেশরদা নেসনেল সেক্যুরিতি গার্দকী ৪১ শুবা রাইজিং ডেদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-লৈবাক অসিদা ওর্গনাইজ ক্রাইম অমসুং টেরোরিজম থেংনবদা এন.এস.জিনা মাংজিল থারি। মহাকা হায়-উত্তর প্রদেসকী অয্যোধিয়াদা এন.এস.জিগী হব অমা হাংদোক্লগনি।

**শিন্মীঃ** ভারত্তা নুপী শিন্মীশিংগী মশিং শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলে। কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়-নুপী শিন্মী ৱাক ফোর্সনা শরুক য়াবগী চাং অসি ইং কুমজা ২০১৭-১৮ দা চাদা ২৩ ওইরম্বদু ২০২৩-২৪ দা চাদা ৪২ রোম য়ৌরে।

ৱার্ল্ড বেঙ্ক দাটা মতুং ইন্না হৌখিবা চহি তরাদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মরক্তা

ভারত্তনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা নুপী শিন্মীশিং শরুক য়াদুনা মখোয়না শরুক য়াবগী চাং য়ামা শিংথানিংঙাই ওইনা ৱাংখি। মন্ত্রালয় অসিনা হায়-স্কিল, ক্রেদিট অমসুং থবক পীদুনা অককবা থৌশিলগী মখাদা থবক লৌখৎপদগী নুপীশিংগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা অওনবা পুরকপা অদু উবা ফংলে।

**গুগলসঃ** ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি-অন্ধ্র প্রদেসতা অনৌবা গিগৱার্ট স্কেলগী এ.আই. হব অমা শেমগৎলগনি হায়না গুগলসনা লাউথোকখিবা অসিনা ভারতকী এ.আই. মীসন মায় পাকহনবদা তুং কোইনা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

অন্ধ্র প্রদেসকী বিশাখবতনমদা গিগৱার্ট স্কেলগী এ.আই. হব অমা লিংখৎনবা লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা আমেরিকাগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১৫ থাদরগনি হায়না গুগলসনা লাউথোকখ্রে। মসি গুগলসনা আমেরিকাগী ৱাংমদা শেমগৎপা খ্বাইদগী চাউবা এ.আই. হব সেন্টর ওইরগনি।

**রেসলিংঃ** দিষ্ট্রিক্ট লেবেল জনিয়ার নাগা ইন্দিজিনেস রেসলিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী অহুমশুবা এদিসন ঙসিদগী সেনাপতি জিলাদা লৈবা এস্ত্রো তব গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

ভারত লান্মীগী রেড সিল্ড দিভিজনগী শেন্থং মখাদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট রেসলিং এসোসিয়েসন মনিপুরনা শিনবা চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ১৬ ফাওবা চৎথগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা কেটেগোরি অহুমদা রেস্লর ৫৫ না শরুক য়ারি।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ সুবা লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরকনা এস.দি.ও. পল্লেনবু পাঞ্জল ২-০ দা

থোইখ্রে।

**মাস্তরঃ** ৪২ শুবা ষ্টেট লেবেল মনিপুর মাস্তর এঠলেটিক্স মিট ২০২৫ ঙসি লোয়শিনখ্রে। ঙসি লোয়শিনবগী নুমিৎতা টেনথাউজন মিটর রেজ, ৱানথাউজন ফাইব হন্দ্রেদ মিটর রেজ, দিসকরস থ্রো, হরদলনচিংবা ইভেন্টশিং পাঙথোকখি। এঠলেটিক মিট অসিদা মকোক মথং তারবা শান্নরোইশিং রাজস্থানগী অসমিরদা পাঙথোক্কদবা তরেৎশুবা নেসনেল মাস্তর এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াগনি। হায়রিবা চেম্পিয়নসিপ অসি মথং চহিগী জানুৱারী ৩০ দগী ফেব্রুৱারী অনি ফাওবা পাঙথোক্কনি।